# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 22-03-2026)

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-কুকি জো কাউন্সিলগা ঙরাং গুৱাহাতিদা উন্নদুনা ৱারা শান্নখিবা অসি থাজনবা হেনগৎহন্নবা অহানবা খোঙথাংনি।

ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক্তা লৈবা ইন্টর ষ্টেট বস টার্মিনস (আই.এস.বি.টি) য়েংশিনবা লাকপা খোঙচৎতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মনিপুরগী ৱাথোক অসিগী ফিভম শিংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলক্লবস্ মোরে অমদি চুরাচান্দপুরনচিংবদগী চেল্লকখিবা মীওইশিং অমদি ইম্ফালদগী চেনখিবা মীওইশিং হান্নগী লৈফমশিংদা হন্দুনা লৈবা হৌজিমক্কী ওইনা ঙমদ্রি। মসিগী মরমদি, নাকল অনিগী মরক্তা অমনা অমবু থাজনবা ৱাৎপদগীনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা মতমদা শোয়খিবা অমদি লানখিবা য়াওবশিং অদু কাউথোকপা অমদি ঙাকপীবগী ৱাখল্লোন ফাওনদুনা নুংশি চান্নবগী মরী হনজিলহন্নবা হোৎনবা তাই। মরম অদুনা, কুকি জো কাউন্সিলদা সরকারগী মায়কৈদগী ৱারী শান্ননবা হায়বদা, মখোয়না ইম্ফালদা লাক্কুনা ৱারী শাবদা পুকিং লুমদবা ৱাখল্লোন লৈবদগী গুৱাহাতিদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবনি। চহি অহুমলোমগী মতুংদা কুকি জো কাউন্সিলনা সরকারগা উন্নদুনা ৱারী শান্ননবা ফিরেপ লৌরকপা অদুবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

পাউমীশিংনা হংল্লকপা অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রি-খেমচান্দনা হায়-লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি সংসদতা মনিপুর কায়বা য়ারোই হায়খ্রবনিনা ৱাফম অসিগী মতাংদা মখা তানা নৈননিংঙাই ওইদে হায়না খল্লি। বফর জোনগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-বফর জোন হায়বা

মফম অমত্তা লৈতে। অদুমওইনমক, উংখৎনরুবা ফিভম অসি মহৌশাগী ফিভমদা চপ চানা হনজিল্লক্ত্রিঙৈগী মরক অসিদা থাজনবা ৱাৎলিবা, নাকল অনিগী মরক্তা পামদবা অমদি নুংঙাইতবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতিনা ঙাক শেনবগী ৱাফম খক্তনি। মসি সরকারনদি সেন্সিটিব জোননি হায়না লৌই।

লীতান এরিয়াগী ইরাংগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীদা সেক্যুরিতি মতিক চানা থমদুনা অয়েৎপ অপন লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌনরি। ইরাং অদুদা মীওই অনি লৈখিদবা অমদি ২১ ফাজিল্লুবগী থৌদোকশিংদা উপ মুখ্য মন্ত্রি-নেমচা কিপগেন য়াওনা উখ্রুল মায়কৈগী এম.এল.এশিংনা লৌখিবা থৌদাং থাগৎনিংঙাইনি। মখা তানা লমদম অদোমদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা, খুৎলায় পায়বশিং তকথোকবগীদমক ওপরেসন চখনবা থৌরাং তৌরি।

ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী নেসনেল হায়ৱে টু অসিসু সেক্যুরিতিনা নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা মহৌশাগুম অদুম্মক চৎথোক চৎশিন তৌনরি। অদুমওইনমক, থাজনবা ৱাৎলিবা মরমনা লম্বী অসি ফাওদুনা হেক্তমক চৎপদা নুংঙাইতবগী ৱাফম খরদি থেংনরি। মনিপুর অসি কাংলুপ ৩৬ না পুন্না খুন্দামিন্নদুনা শেন্বনি হায়না ফোংদোক্লদুনা, কাংলুপ খ্দিংমক্কী ওইবা ৱাখল্লোনদা থবক তৌফম থোকই হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি খুন্মন লম্পাক্তা লৈবা ইন্টর ষ্টেট বস টার্মিনস (আই.এস.বি.টি) গী ফিভম চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-আই.এস.বি.টি. অসি মতম শাংনা নীংথিনা শিজিন্নদনা লৈরম্বদগী রাস্ত্রপতিগী সাসন মনুংদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগী মীৎয়েং মখাদা নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক হৌখ্রে। মফম অসি পি.ডব্লিয়ু.ডিগী শেন্থং মখাদা নীংথিনা শেমগৎতুনা মপুং ফানা শিজিন্নবা হৌনবা

সরকার অসিনা হোৎনরি।

মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা ৱাংখৈ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমার, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাখ ভাজপায়, ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর-খুমন্থেম দাইনা অমসুং পি.ডব্লিয়ু.ডিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার-চোংথাম বিশ্বচন্দ্র শরুক য়াখি।

**ডে (এল)ঃ** ঙসি মালেমগী ঈশিংগী নুমিৎনি। মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবশিংনা হিংবদা তঙাইফদনা চংলিবা ঈশিংগী মরুওইবা অদু নৌহৌননা নীংশিংহন্নবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমজা ১৯৯৩ গী মার্চ ২২ দগী হৌদুনা চহি খুদিংগী পালন থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ৱাটর এন্দ জেন্দর হায়বা হীরমদা হোয়ার বাটর ফ্লো, ইক্কালিতি গ্রোস হায়বা ৱাখল্লোন্দা কুমশি চহিগী মালেমগী ঈশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকরি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়-মনিপুরদা ঈশিংনা ইকোলোজিকেল বেলেন্স, লৌউ শিংউ, সসটেনেবিলিতি অমসুং কলচরেল আইদেন্টিতি পুরকপদা চাউরবা থৌদাং লৌরি। লমদম অসিদা চেল্লিবা তুরেলশিং অমসুং লৈরিবা পাৎশিংনা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা তাংজফম পীবতা নত্তনা হিংনবগী পাম্বৈশিং পীবদা মতেং পাংলি। ঈশিং মরিক খুদিংমক ঐখোয়গী হেন্না চাউখৎপা তুংলমচৎ অমগীদমক য়ামমক মরুওই।

শ্রী ভালানা মখা তানা হায়-লৈবাক অসিদা পায়খৎলিবা জল জিবন মীসন অমসুং অতল বহুজাল য়োজনা অমদি ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা থৌরাং কয়ানা মীয়ামগী দরকার লৈবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবগা লোয়ননা থকবা অফবা ঈশিংসু পীরি। মালেমগী ঈশিংগী নুমিৎনা লাকপদা দায়ত্ব লৈনা ঈশিংবু য়োকশিনবা অমদি শিজিন্নবা তমদুনা ঙসিগী অমদি তুংগী মীরোলবু হেন্না য়াইফনবা পুন্না থৌদাং লৌমীন্নরসি হায়নসু রাজ্যপালনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মামেলগী ঈশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা পীবা

পাউজেল অমদা হায়-ঈশিং হায়বসি পুন্সিনি, চাউখৎপা অমদি অফবা তুংলমচৎ অমা শেমবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌরিবা পোৎশক অমনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্বা, তুরেল, পাৎ অমদি ঈশিং লৈবা মফম খুদিংমক থৌদাং খঙবা নাগরিক অমমম ওইদুনা নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা, মওং চুমা শিজিন্নরসি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা হায়-লোক্তাক পাৎ, তুরেল ১৫ অমসুং ৱেটলেন্দ ৭০৮ না মনিপুরগী মীয়ামদা নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং ফংহল্লি। ৱাটরসেদশিং  ঙাক শেন্দুনা থম্বা, কেটসমেন অমসুং ঈশিং লৈফমশিং থৌদাং খঙনা ঙাক শেনমীন্নরসি। ঈশিংবু অরেম্বদা মাঙহনগুমসি হায়নসু ডা: রঞ্জননা মখা তানা ফোংদোক্লি।

**এমেস্কো (এল)ঃ** ওল মনিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এমেস্কো) না চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা শজিবু খুদোল তম্বা, ঈগী খোঙ্গুল লীবগী থৌরম ঙসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী নাগারম কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এমেস্কোগী এদভাইজর-ইবোতোম্বী লোইতোংবমনা হায়-য়ুম পানখ্রবী নিংঙোলশিংনা শজিবু চৈরাউবগী মতমনা লাকপদা মপাম লমদমদা লাক্তুনা মবুং মৌপৱা, মপা-মতোনশিংগীদমক ঙমজবা খুদোলশিং তম্বগী চৎনবী অদু এমেস্কোনা রাজ্যগী থাক্তা পুখৎতুনা কুমজা ১৯৯২ দগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হায়রিবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু নাগারমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**ইমো (এল)ঃ** আর.কে. ইমো-এম.এল.এনা ঙসি ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকাইদা নৌনা শাবা মল্টি পরপজ হোল অমা অমসুং ৱাহেংবম লৈকাই জনিয়ার হায়স্কুলগী বিল্ডিং শঙ্গাখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইমোনা হায়-মফম অদুদা লম মরাং কায়না ফংদবদগী মখাদনা মল্টি পরপজ হোল ওইরগা মথক্তনা স্কুল ওইননবা বিল্ডিং অদু শাখিবনি। রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী স্কুল শাননবা পীরকখিবা লুপা লাখ ৬০ অমসুং লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ৮০ পুন্না লুপা কোতি অমা লাখ ৪০ চংনা শাখিবনি।

শ্রী ইমোনা হায়-শগোলবন্দ কেন্দ্রদা হৌজিক চাদা ৯৯ দি থকবা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমলে। নুপীশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়াসু পায়খৎনবা হোৎনরি।

**গ্রেনেদ (এল)ঃ** থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থৌবাল থোং মখোঙদা লৈবা দুকান অমগী মমাংদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থমজিল্লম্লে হায়রি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-হেন্দ গ্রেনেদ অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপা অদুৱাইদা লম্বী চৎপা মীওইশিংনা থেংনরকপনি। থৌদোক থোকফমদা থৌবাল পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মোবাইল ফোরেন্সিক য়ুনিট থৌবালগী কাংবুশিং লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা বোম স্কাউদকী কাংবুনা অশোয় অঙাম য়াওদনা হেন্দ গ্রেনেদ অদু লৌথোকখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা বোম অদু কনানা করিগীদমক থম্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

**অনাল (এল)ঃ** কুকি খুৎলায় পায়বশিংনি হায়না চিংনবশিংনা থা অসিগী ১৯ গী নুমিদাংদা রেবালোন ভিলেজকী চীফ-সুমপি ঙমরুংৱাংদা অফবা খুৎলায় শিজিন্নদুনা এটেক চখ্থরকখিবা অমসুং মহাক্কী নুপীবু ফাদুনা পুখিবগী থৌওং অদুবু অনাললোল চীফস এসোসিয়েসননা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। ৱাফম অসি এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরকপনি।

**হঙ্গাম (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্কী অরোং তুরেল খোঙবানদা য়েননবা পৈদুনা থন্বা লৌ সঙম অমরোমগী হঙ্গাম মৈ থাদোক্লম্লে হায়রি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌপুনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎ চেরোল অমদা পীশিনদুনা মরী লৈনবশিং ফাবীনবা হায়জখ্রে।

**মহিলা (এল)ঃ** মহিলা কব্যা মন্স মনিপ্রনা শিনবা ২৩ শুবা কবি সমেলন ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাইদা লৈবা দোসুয়ালি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-রাধাবিনোদ কোইজম অমসুং মহিলা কব্যা মন্স মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ডা: কে.এস.ঐচ. সুবাদিনি য়াওনা মরুওইবা মীওহ কয়া শরুক য়াখি।

**মোদিঃ** নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি অৱাংবা থাক্কী মাফম অমা পাঙথোক্তুনা কুপা খন্ন-নৈনখ্রে। মীফম অদুনা পেট্রোল্লিয়ম, শুংদোক্ত্রিবা থাউ, গ্যাস, পৱার অমসুং হারনচিংবগী মতাংদা খন্নখি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামন, মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর, লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহান, পেট্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি-হরদিপ সিংহ পুরি, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-পিয়ুজ গোয়ল, কেমিকেলস এন্দ ফরটিলাইজর মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দা, সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি-কে. রাম মোহন নাইদু, পৱার মন্ত্রি-মনোহর লাল অমসুং ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনো শরুক য়াখি। মীফম অদুনা মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং অসি অয়েৎ অপন লৈতনা ফংহন্নবা খন্নখি।

**থাউঃ** সরকারনা হায়রি-হৌজিমক্কী ওইনা তঙাইফদবা থাউশিং ৱাৎপগী ফিভম লৈতে। পেট্রোল অমদি দিজল স্তোক্তা মরাং কায়না লৈরি।

কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-পেট্রোল অমসুং দিজল মরাং কায়না ফংহন্নবা লৈবাক অসিগী থাউ শুংফমশিংদা পোৎলমশিং অসি মরাং কায়না পুথোকবা কন্না হোৎনরি। চাক থোংনবা গ্যাস, এল.পি.জি. পীবগা থবক্তা অকায়বা অমত্তা থোকপা লৈত্রি। পাখৎপদগী বুক্কিং হেন্না তৌবগী থবক য়াহনদ্রে। সরকারনা রাজ্যশিংদা পীরম্বা এল.পি.জিগী চাং হান্নদগী হেনগৎহল্লে। নারোলদা এল.পি.জি. য়োনবশিং ফাগৎনবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশংদা অকনবা থবক লৌখৎলি।

অমরোমদা, কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেস মন্ত্রালয়না হায়-ঈশিং লম্বীদা জহাজতা থাউ অমদি গ্যাস পুশিল্লকপগী থবক মন্ত্রালয়না কুপা শেন্নদুনা য়েংশিল্লি। মসিগী মথক্তা ইরাং লৈবা লৈবাকশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা ভারত মচাশিং হোন্দোরকপগী থবকসু মখা তানা চথরি।

**কাং ঃ** মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কৈশামথোংনা ওইনামবু পাঞ্জল ২০-১৫ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** সমরাম ফুটবোল ক্লবনা শিনদুনা পাঙথোকপা মরিশুবা সমরাম ট্রোফি ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০২৬, ঙসিদগী ক্লব অসিগী শান্নবুংদা হৌদোকখ্রে।

টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা ফুটবোল লবরস নোংপোক সেকমাইনা তেন্থা ব্রদরস-তেন্থাবু

পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ৮ শুবা এস.ডব্লিয়ু.সি. খোঙমননা শিনদুনা চথুরিবা ৮ শুবা কে.ঐচ. ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এম.এম.সি. মোংখাম লম্বীনা এস.ডব্লিয়ু.সি. টিম (এ) খোঙমনবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি, এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমারনা হৌদোকখ্রে।

সাই এন.ই.আর.সি. নেচরেল গ্রাস ফুটবোল গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা-কৈশামথোং এফ.সিনা ইষ্ট মনিপুর এফ.সি. লমলাইবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১৪ না শরুক য়ারি।

**ফুটবোল ঃ** ইরিলবুং লাইব্রেরী য়ুনিয়ন-কৈরাও বিত্র অৰাং লৈকাইনা শিনদুনা অনিশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ইলু কপ-২০২৬ ঙসিদগী য়ুনিয়ন অসিগী গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-সনাতোম্বী এফ.সিনা ইলু এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**হোকিঃ** হোকি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাকো স্কুলনা শিনদুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল য়ুনাকো কপ হোকি টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-সিয়ো অকাম্পাৎনা মৈরা বাসিখোংবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা বাবিনা গ্রুপকী ৬৫

শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই, সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০২৫-২৬ থা অসিগী ৩০ দগী হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ফুটবোল টিম ২৯ না শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদবা টিমশিংনা মখোয়গী সি.এম.এস. থা অসিগী ২৫ ফাওবদা লোয়শিন্নবা খঙহল্লি।